

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

য়ানদবশিং পূনশিন্নবা সরত পাৱরগী ফোর্মুলা

হৌজিক্কী মোবাইল ফোন (হেন্দসেট) অসিদি অঙকপা খূৎলায় হায়'দু ওইরম্লে। ঐখোয়না এল পি স্কুল অমদি হায় স্কুল তম্লিঙৈ মতম অদু নীংশিংলুরগা ঙসি খূত্তা এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন অমা পায়রগা তৌরিবা থবক, লেল্লিবা পুন্সি মরেল অসি খল্লুরগা মথংগী মপোক অমা মপোকসিদা ফংবা নৎত্রগা অতোপ্পা তাইবঙ অমদা থুংলুবগা চপ মান্নবা ফীলিং অমা ফাওরকই। মাগী মথৌ (ফঙ্কসন) ময়ামদু ইরুবনা ৱাংলনি, ঐনা খঙলিবসিদি খরতনি। য়ূমগী কাদা ফম্লগা টেলিভিজন য়েংলুদ্রসু, ন্যুজপেপর পারুদ্র'সু, এনিহোয়র মোবাইল ফোন্দা য়েংবা-পাবা য়ারক্লে। য়েংনীংবা সিনেমা মখল পূম্নমকসু য়েংবা ফংলে। জেমস বোন্দ ফিল্মশিংদা উখিবা ফিক্সনগী পোত্থোক ময়ামদুগী অপূনবা অচুম্বা মশক অদুনি এন্দ্রোইদ মোবাইল ফোন। পুন্সিসিনা লোমদ্রিঙৈ মোবাইল ফোনগী অতোপ্পা অহোংবা শক্লোন অমা অনীদি উরকখিগনি থাজরি।

ঙসি ঐনা মোবাইল ফোন'না ৱাহৌ ওইনা পাউদম অসি তমজরুবই মরমদি ইংলিসকী নেসনল ন্যুজ পেপর মোবাইল ফোন'দা পাবা ফংলকপসিদা মমাঙঙৈ মহৈরোয় ওইরিঙৈ থেংনরকখিবা খুদোংচাদবশিং অদুগা ঙসিগী ইচা-ইশুশিংনা ফংলিবা খুদোংচাবশিং অদুগা হায়ফেৎ চাংদম্নরুবদইনি। অসুম্না পারুবা পাউ অমনি - চহী ফাজিল্লক্ত্রুবা পার্লিয়ামেন্টকী জেনরেল ইলেক্সন 'সিগীদমক, বি জে পিগা ৱাখল্লোন মান্নদবা, পার্টিসিগা চুমশিন্নবদা য়াওদবা পার্টিশিংগী, মখোয়গী লোন্দা হায়রগনা য়ুনাইটেদ ওপোজিসন (অপূনবা ওপোজিসন পার্টি) গী কনানা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদগে হায়বা ৱাফমসিদা লৈখায় তাবা ঙম্ন দবসিগী মতাংদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি প্রসিদেন্ট 'সরত পাৱর' না পুথোক্লকপা ফোর্মুলা অমা। য়ুনাইটেদ ওপোজিসন, দি গ্রেট এল্লায়ন্স (মহা গথবর্ধন) করম্বা মমিং থোল্লগা শেল্লক্কদৌরিবা এল্লায়ন্সনো হৌজিক লৈখায় তানদ্রি। করম্বা পার্টিনা লুচিংদৌরিবা? মদুসু হায়বা ঙমখিরোই। নেসনল দেমোক্রেটিক এল্লায়ন্স (এন দি এ) - বি জে পি'না লুচিংই, প্রাইম মিনিষ্টর - কেন্দিদেট বি জে পিগী মোদিনি। পূম্নমক্লা খঙই। মোদি'না সেন্ট্রেল পোলিটিক্স'তা চঙলক্ত্রিঙৈ, য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এল্লায়ন্স (য়ু পি এ) লৈঙাক লৈরম্মী। কোংগ্রেস পার্টিনা লুচিংবনি। কোংগ্রেস পার্টি'না খনবা মীশক অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগনি - কনানসু য়েৎপা ঙল্লমদে। য়ু পি এ'গী অহানবা টর্মদুদা কোংগ্রেস পার্টি প্রসিদেন্ট- সোনিয়া গান্ধীবু কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবা খনখি। কোংগ্রেস এম পি পূম্নমক্লা পি এম ওইনবা হায়জখি। সোনিয়া'না য়াখিদে। ফনা কন্না হায়জরফাও য়ারকখিদবদগী মনমোহন সিংহবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহনখি। ভোট ফাওবা লেপকে খনজখিদবা ইকোনোমিষ্ট অমবু পোলিটিসিয়ন ওইহনখি, এক্সিদেন্টেল প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখি।

ইন্দিয়াগী পোলিটিকল হিষ্টরিদা খ্বাইদই লীরবা, খ্বাইদই লীংবা পোলিটিকল পার্টি ওইরম্বা 'ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস', ঙসিদি বি জে পি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা শেম্নবা হোৎনরিবা ওপোজিসন এল্লায়ন্স অসিগী লুচিংবা অমগী থৌদাং ফাওবা লৌবা ঙমদ্রবা পোলিটিকল পার্টি অমা ওইরক্লে। লুরিবসি মসিনি। মেদিয়ান শেমগৎপা ৱারীদদি নৈনৈ - ২০১৯, পার্লিয়ামেন্টরি জেনরেল ইলেক্সনসিগী মতুংদা, মোদি নৎত্রগা রাহুল, অনীগী মরক্তা করম্বনা হেন্না ফবা প্রাইম মিনিষ্টর অমা ওইগদগে? এন দি এগী ওইনদি য়েৎনবা লৈতে, নরেন্দ্র মোদি, প্রাইম মিনিষ্টরিঅল কেন্দিদেটনি। কোংগ্রেস পার্টি প্রসিদেন্টসু ওইরিবা, রাহুল গান্ধীনা হায়... 'ঐহাক্তি প্রাইম মিনিষ্টরগী লমজেলদুদা য়াওদে'। পূম্নমক্লা খঙই পুকচেল চাউবই মতৌ উৎথোক্তুনা হায়বা নত্তে। সোনিয়া গান্ধীগী মওংদুগা খেন্নে। ঙল্লোই খঙনা হায়দবনি। মশা মরোমদোম কোংগ্রেসনা মেজোরিটি ফংনি খল্লম্লবা, ৱাজাউনা মাঙ থারম্নি। য়ুনাইটেদ ওপোজিসন'দা য়াওগদৌরিবা পার্টিশিং, কনানসু থাজনা হায়বা ঙমদে - 'ঐগী পার্টিনা খ্বাইদই মশীং হেন্না এম পি কাবা পার্টনর ওইগনি'। মরম অসিদই হায়রকপনি পাৱর'না ... 'ভোট মশীং থিবা লোইরগা, খ্বাইদই এম পি মশীং হেনবা পার্টি অদুগী পার্লিয়ামেন্টরি লীদর অদুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগনি'...।

ৱাফম অসি কোঅলিসন পার্টনর ওইগদৌরিবা পার্টিশিংনা য়াননি/য়ানরোই হায়বদুবুদি খঙদ্রবসু অখিলেস, ময়াবতি, মমতানচিংবা লুচিংবা খরদদি সরত পাৱরগী ফোর্মুলা অসিনা মোমোন মীনোক তমহল্লকপগুম উই। এম পি ৮০ লৈবা য়ু পি'দগী অখিলেস, ময়াবতি অনীনা বি জে পিদগী কয়াম মুনবা ঙমগদগে? লাংতক্লবা ৱাহংনি। বঙ্গালগী সিট ৪২দগী মমতা'না কয়া ফংবা ঙমগনি? বিহারগী ৪০, টামিল নাদুগী ৩৯ য়ামজরগসু পি এমগী ফম্বাল মিতাবা লীদর থোরক্তে। কোংগ্রেসনা আশা তৌরিবা গুজরাট (২৬), রাজস্থান (২৫) অমদি মধ্য প্রদেশ (২৯) বি জে পি'গী স্ট্রোং হোল্দ'মক্তনি। 'বি জে পি'দগী কোংগ্রেস'না হেনগনি' - কনানসু আশা তৌদে। বিহার (৪০) গী নিংথৌ লালু প্রসাদ'না ৱায়েনশঙগী অথিংবা মায়োক্লরমদ্রবা, মাগীসু মমিং শোন্নরমগনি।

ওপোজিসনগী অপূনবা শক্তম শাগৎপদা, মীয়ামগী থাজবা মাঙখিবসি, হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন খনবদা মখোয়না মায়থীবা নংখিবদু অচৌবা মরম অমনি। পাৱর'না মরাল সী - মদুগী মরম কোংগ্রেসনি। আম আদমি পার্টি অমদি ৱাই এস আর কোংগ্রেস'বু মখোয়গী মরক তিলহনসি হায়বা য়াখিদবনি। ৱাই এস জগন মোহন রেদ্দি'না লীংখৎলম্বা 'য়ুবজন সরামিকা রিতু' (নহা-শিন্মী-লৌমী) কোংগ্রেস পার্টি - অন্ধ্র প্রদেশ (২৫) অমদি তেলঙ্গনা (১৭) দি অকনবা ইথিল পীবা ঙম্বা পার্টিনি। পূম্নমকসি তাশিনবগী লুরবা থৌদাং অদুগী মথক্তা মশীং য়ামদ্রবসু অতোপ্পা রিজনেল পোলিটিকল পার্টিশিং, বি জে পিগা ৱাখল্লোন তিন্নদবশিংবুসু ওপোজিসন এল্লায়ন্স অসিদা চিংশিনবগী থৌদাং অসিমগা পাঙথোকপা ঙমদ্রবা, 'মোদিবু মায়থীবা পীবা ওইথোক্লোই' হায়বসিমদি সরত পাৱর'নসু অদুম মহায়রি। মসিনা তাকই - অপূনবা ওপোজিসন লৈপাক্কী অফবা থৌরাং থৌশিল অমগী নত্তে, কনাগুম্বা অমখকপু ফম্বালদগী চিংথবনি।

লৌশিং পুক্কে

সিনেস্থেসিয়া :

মচুগী মখোল তাবা, মখোলগী মহাউ খঙবা

we know....stuff

কনাগুম্বনা মখোল অমা তাবা মতমদা হায়রিবা মখোল অদুগী মহাউ ফাওরকপগুম তৌবা য়াওই। তোঙান তোঙানবা মচু উবা মতমদসু তোঙান তোঙানবা মচুগী মান্নদবা মখোল তাবা য়াওই। থৌওং অসি সিনেস্থেসিয়া হায়না খঙনৈ।

মালেমগী ফাওরবা আর্টিষ্ট, অইবা অমসুং ম্যুজিসিয়ন কয়া থৌওং অসিমক মায়োক্লে। অইবা ভ্লাদিমির নাবোকোভনা সিনেস্থেসিয়াবু মচুগী মখোল তাবা অমসুং মখোলগী মহাউ খঙবা হায়না ইরম্মী।

অঙৌবা চেবাংদা অমুবা মুক্লা ইবা তোঙান তোঙানবা ময়েকশিং নাবোকোভনদি তোঙান তোঙানবা মচু ওইনা উই। মহাক্কী লোয়নবী অমদি মচানুপাগী মফমদসু থৌওং অসিমক থোক্লম্মী। খেন্নবা হায়ববু নাবোকোভনা অঙাঙবা ওইনা উবা ময়েক অদু মহাক্কী লোয়নবীনা অশংবা ওইনা উরম্মী।

মখা তানা থিগৎলুবদা লাই য়েকপা ৱেসিলি কেন্দিনস্কি, ইনভেন্টর নিকোলা টেসলা অমদি ম্যুজিক কম্পোজর ফাঞ্জ লিজসু সিনেস্থেসিয়া মখল অমা নৎত্রগা অমা মায়োক্লরম্বা থেংনখি।

সিনেস্থেসিয়া হায়বসি গ্রীক ৱাহৈদগী লৌথোরকপনি। তোপ তোপ্পা সেন্স অনী য়াওবগী ফীভম মায়োক্লবা মীওইশিংবু 'সিনেস্থেটিস' হায়না খঙনৈ। তোঙান তোঙানবা মখল কয়া লৈরবসু হৌজিক ফাওবদা থিজিন হুমজিনবশিংনা সিনেস্থেসিয়াগী মখল কয়া লৈবগে হায়বা চপ চানা পুথোকপা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক মপুং ওইনা মখল মঙা লৈ হায়না লৌনরি। হায়রিবা মখলশিং অদু উবা ঙম্বা, তাবা ঙম্বা, মহাউ খঙবা, পোৎশক অমদা থেংবগুম ফাওরকপা অমসুং মনম খঙবগা মরী লৈনৈ।

খ্বাইদগী কম্মন ওইনা থেংনবা মখলশিংদি কলর-গ্রাফেমিক সিনেস্থেসিয়া অমসুং কলর-ওদির্টরি সিনেস্থেসিয়ানি।

'মেদিকেল ন্যুজ টুদে' (এম এন টি) গী রিপোর্ট অমনা হায়, ফীভম অসি মায়োক্লরবা মীওইশিংনা রেদিওদা ঈশৈ অমা তাবা মতমদা ঈশৈ ময়েক্তা য়াওবা ৱাহৈশিং ৱাখলদা শাগৎতুনা মীৎমাঙদা উহনবগুম ফাওই। তোঙান তোঙানবা ম্যুজিকেল ইন্স্ট্রুমেন্টশিংগী মখোল তাবদা তোঙান তোঙানবা মচু উবা ঙম্মী। খুদম ওইনা হায়রবদা বাঁসিগী মখোল তাবদা মচু অমা উই। হার্মোনিয়মগী মখোল তারগনা অতোপ্পা মচু অমা উহল্লি। কনাগুম্বা মীওই খরদি তোঙান তোঙানবা মশিং অমসুং ময়েকশিং উবদা তোঙান তোঙানবা মচু ওইনা উই। খুদম ওইনা হায়রবদা "৭" অমদি "৮" বু হিগোক ওইনা উরগা "৯" অমদি "১০" বু অতোপ্পা মচু অমা ওইনা উহল্লি। মতৌ অসুম্না "এ" বু অশংবা ওইনা উরগা "বি" বুনা অঙাঙবা ওইনা উই।

মপুং ফানা থিজিন্দ্রিবা মরম্না মালেমদা মীওই কয়া য়াম্না সিনেস্থেসিয়া মায়োক্লবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। কনাগুম্বা মীওই অমা/অনীখক্লা ফীভম অসি মায়োক্লবা তারবসু মশানা খঙজদে। মীপুম খুদিংমক চপ মান্ননা ফীভম অসি মায়োক্লরমগনি হায়না খঞ্জে।

মসচসেটসতা লৈবা বোষ্টোন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিনবশিংনা হায়, মীওই ১,০০,০০০ গী মনুংদা মীওই ১ সিনেস্থেসিয়া মখল অমা নৎত্রগা অমা মায়োক্লে হায়বা খঙলে। তোঙান তোঙানবা মচু উবগী কলর-গ্রাফেমিক সিনেস্থেসিয়া মায়োক্লবা মীগী মশিংদি চাদা অমরোমনি।

স্পেসলিষ্টশিংনা সিনেস্থেসিয়াবু অকোয়বগী ফীভম তোপ তোপ্পা মওংদা উহনবা ন্যুরোলোজিকেল কন্দিসন অমনি হায়না ফোঙদোক্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই অমা "এ" হায়বা ময়েক অসি উবদা "হীগোক" মচু নীংশিংবা থোক্লবদি "এ" বু হীগোক ওইনা উহনবা য়াই। কনাগুম্বা মীওই খরদি চপ মান্নবা ময়েক অমবু তোঙান তোঙানবা মচুদা উহনবা য়াওই।

তোঙান তোঙানবা মীওইশিংদা সিনেস্থেসিয়া ওইহল্লকপগী তোঙান তোঙানবা মরম লৈরম্বা য়াই। ষ্টদি খরগী রিপোর্টতা ফীভম অসি ঈ মরীদগী লোয়নরকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। থিজিন হুমজিল্লিবা মীওই খরনদি ৱাফম অসি অরানবনি হায়রি। মরমদি মমা অমত্তনা পোকপা ফাইবোক্তা মীওই অমা সিনেস্থেসিয়া মায়োক্লরগা অতোপ্পা অমদু করিমত্তা তৌদবা য়াওরি।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী য়ুনিভর্সিটি ওফ ব্রাইটনদা থিজিল্লিবশিংনা "নেচর সাইন্টিফিক রিপোর্ট" জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, অঙাং ওইরিঙৈদা মহৈ তম্বা হৌরকপগী মওং মতৌনা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি হায়বগী খুদম ফংলে। পুন্সিগী অহানবা ওইনা ময়েক অমা উবদা খনখিবা ৱাখল অদু মতুং তারকপা পুন্সিদসু শেমদোকপা ঙমদবদগী ফীভম অসি ওইরকপনি। মরম অদুনা সিনেস্থেসিয়াগী ফীভম মায়োক্লরবা মীওই খুদিংমক মানা মানা নীংজবা মচুগী মতুংইন্না ময়েকশিং তোঙান তোঙানবা মচুদা উরিবনি।

সিনেস্থেসিয়ানা পূক্লিং-ইথিল পীদুনা মীওই কয়া মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহনখিবগী ৱারী লৈরি। ঈশৈ ময়েক অমসুং ম্যুজিক্কী মখোল তোঙান তোঙানবা মচুদা তাবা ঙম্বা মীওইশিংনা ঈরকপা অমসুং কম্পোজ তৌরকপা ঈশৈ পুম্নমক মীয়াম্না পাম্নবা ঈশৈ ওইরি।

মালেম শিনবা থুংনা মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট অইবা অমদি ম্যুজিসিয়ন কয়াসু ফীভম অসি মায়োক্লে হায়না থাজনরি। সিনেস্থেসিয়ানা মরম ওইরগা ফজ-ফজবা শৈরেং-ৱারেং ইরকপা, ঈশৈ ময়েক ইরকপা অমসুং ঈশৈগী সুর পানবা ঙম্বনি হায়রি।

মেমী মীহাৎতা চেন্নবা মোহমদ রোহিৎ কোর্টতা পুথোরকপদা ঈরাং হৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): সাইকুল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইকৌ কৈথেল মনাক্তগী পুখ্রিহোংবম মেমী (২৬) হাৎপদা চেন্নবা ক্ষেত্রিগাও মখা লৈকায়দগী মোহমদ রোহিৎ এলিয়জ রাজেস (২৯) ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম আই সী) কোর্টতা পুথোরকপদা মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখ্রে।

মীয়াম্না কাংপোকপীগী জে এম আই সীগী কোর্টতা অয়ুক পুং ৯ দগী পুনবা হৌরকখি। পুলিসনা য়াম্না চেকশিন্না মোহমদ রোহিৎপু কাংপোকপী জে এম আই সী কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা মহাক মখা তানা পুলিসনা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক লাক্লিবা সেপ্তেম্বর ১ ফাওবা পুলিস রিমান্দ পীখ্রে। কোর্ট মনুংদগী মহাক পুথোক্লবা হোৎনরকপদা কোর্টকী কেম্পসকী ৱাংমদগী মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখি। ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ দগী ৪.৩০ ফাওবা কাংপোকপীগী জে এম আই সী কেম্পস তম্না নুপী অমদি নুপা ময়াম্না থোমজিল্লকখি। পুলিসনা মীয়াম অদুবু ঙাকথোক্লবা হোৎনখি। মীয়াম অদুনা কোর্টকী গেট অদু নমখায়দুনা চঙলক্লগা অমদি ৱাল কাদুনা লানশিল্লক্লগা কোর্ট মনুংদা চঙনবা হোৎনরকখি। লোয়ননা নুঙনা ফাওবা থাজিল্লকখি হায়রি। মতুংদা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী এস পি হেমন্ত পান্দে লাক্লগা মীয়ামগী ঈরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌবগা লোয়ননা মীয়াম অদু ফুদুনা তানখায়খি। মতুংদা পুলিসনা কোর্ট মনুংদগী মোহমদ রোহিৎ গাড়ীদা হাপ্তুনা পুথোকখি।

থৌদোক অদুদা পুলিসনা মীওই মঙা ফাজিনখি। মখোয়গী মনুংদা ইকৌ কৈথেল মনাক্তগী সঞ্জারাম্বম চাউবা (৬০), মহাক্কী মনাওনুপা খম্বা (৪৫), খারম বেদেশ্বর (২৫) য়াওরি। মীওই অনী অমনা লৈতানপোকপীদগীনি। মখোয় অনীগী মমীং খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদুদা পুলিসনা ফুব্দা মীওই তরুকলোম অশোক অপন নংখি। মখোয়গী মনুংদা খরা থিনা শোকপা মীওই অহুম কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মখোয়গী মনুংদা ইকৌ কৈথেল মনাক্তগী সাপম বিরসিংহ (৩৫) শুরবা মীওই অমসু য়াওরি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়াম্না পুলিসকী থৌওং অদু পেন্দবা ফোঙদোক্লখি। পনবা য়াবদি, ইকৌ কৈথেল মনাক্তগী পুখ্রিহোংবম মেমী অপোকপা পি গৌরা অসি থা অসিগী ১৪ গী নুমিৎয়ুংবদা থোকখ্রগা থা অসিমক্কী ১৭ কী নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ইরিল তুরেলগী অরাপতি কেতু খোং ময়াদগী অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু বোরাখাউ অচৌবা অহুমদা হাপ্লম্বনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা ইরিলবুং পুলিসনা সূও মোটো কেস অমা লৌখৎখি। মতুংদা সাইকুল পুলিসনসু মেমী মাঙখিবগী মতাংদা কেস অমা হান্না লৌখৎলম্বদগী ইরিলবুং পুলিসনা মখোয়না লৌখৎলম্বা কেস অদু সাইকুল পুলিস ষ্টেসনদা ট্রান্সফর তৌখি।

থা অসিগী ১৫ দা সাইকুল পুলিসনা থৌবাল ৱাংমা তাবদগী মেমীগা মরী লৈনরম্বা নুপা অমসু ফারগা মচিন হংখি অদুবু মেমী মীহাৎকী লংলা লংজিন খঙবা ঙমখিদে। মতুংদা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবা মতমদা কাংপোকপী পুলিসকী এস দি পি ও অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা মেমী মীহাৎতা চেন্নবনি হায়না চিংনবা মোহমদ রোহিৎ এলিয়জ রাজেস অপোকপা মোহমদ রিয়াজুদ্দিন কৌবা ক্ষেরগাও মখা লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদগী ফাগৎখিবনি। মহাক্না হায়দোরকপদগী মীহাৎ অসিদা চেন্নে হায়না চিংনবা রোহিৎকী মখুরাগী মচানুপা অমসু ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

মীশি অসিগী মতাংদা ইকৌ কৈথেলদা জে এ সী অমা শেমদুনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা মেমী হাৎপদা চেন্নবা মীওই মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা শিবগী চৈরাক পীদ্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়না ৱারেপ্পখি।

থোংজু, খুরাইদা গো টু ভিলেজ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা গো টু ভিলেজগী থৌরম অমা ইবুধৌ থোংজু লাকপগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবা চত্থখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ৩০ মুক্লা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা লায়রবগী পনখৈ মনুংদা লৈবা মীওইশিংদা উজ্জালা স্কীমগী মখাদা মীওই ২১ দা গ্যাস কন্নেক্সন য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা বাসিখোং ইন্দেন এজেন্সীগী প্রোপ্রাইটর অমদি বাসিখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চিরোম রোমিও অমদি থোংজু পার্ট তুগী প্রধান এন কানোন্নচিংবা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, খুরাই নান্দেবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা ঙসি খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা ইমা লাইখুরেম্বী মান্দবতা গো টু ভিলেজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খুরাই এ সীগী এম এল এ, এন সুসিন্দ্রো, প্রধান অমদি জি পি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

[illegible]/অৱাবা ফোঙদোকচবা

ঐখোয়গী ইরক্তা লৈমিন্নরম্বা নুংশিরবা মরুপ **চিঙাখম গোনাও,** উরিপোক বচাস্পতি লৈরকনা হৌখিবা তাং ২৩/০৮/২০১৮ ইং দা মনুং মতম চাদনা খুদোংথিবা থৌদোক অমদা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লাইরমলেনদা লৈরুবা ওইরসনু হায়না ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিজরি অমদি লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

ফোঙদোকচরিবা ঃ
মহাক্কী মরুপশিং

HL-P/5290/29

থৌবালদসু খুঙ্গং চৎসি থৌরম পাঙথোকখি

থৌবাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পায়খৎপা স্কিম অমদি প্রোজেক্টশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা হকথেংননা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা খুঙ্গং চৎসি মিসন থৌরম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালনসু শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকখ্রে।

খাঙবোক পার্ট ৱান জি পিগী মনুং চন্না লৈবা খাঙবোক সোরোক ৱাংমা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা ঙসিগী খুঙ্গং চৎসি মিসনগী কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা ষ্টোল ৩৭ হাংদুনা মীয়ামদা হকথেংননা দিপার্টমেন্টশিংনা পীরিবা কান্নবশিং ফংহনখি। কেম্প অদুদা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নেসনল এৱার্দি থোকচোম জাদুমনি, খাঙবোক জিলা পরিষদ মেম্বর টি ঐচ রাজমোহোন, খাঙবোক পার্ট ৱানগী প্রধান এন মালা, বি জে পি খাঙবোক মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রামানন্দ, খাঙবোক পার্ট ৱান গ্রাম পঞ্চায়টকী পঞ্চায়ট মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা হায়, ঙসি মণিপুরদা পাল্লিবা বি জে পিগী নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগা হান্না পাল্লম্বা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অদুগা পূরা ওন্না তৈনবনি। মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অদুনা মীয়ামগী কান্নবা, চাওখৎ থৌরাংগী খনদবা শেঞ্জা থুমজা হালেংবা লৈত্রবা লৈঙাক অমা ওইরম্মী, ঙসি লৈঙাক্লিবা বি জে পিগী সী এম বিরেন্না লুচিংলিবা লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা, চাওখৎ থৌরাং মাঙলোমদা চঙশিনবা, লায়রবশিংদা চাক থোংনবা গ্যাস লেম্না ফংহনবা, লায়রবশিংগী অনা লায়েংদা পৈশাগী মতেং পাংহনবা অমদি সেন্তর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং খঙহনবগা লোয়ননা খুঙ্গং খুঙ্গং চৎতুনা মীয়ামদা মথৌ তাবা সার্টিফিকেটনচিংবা খুদক্তা ফংহনবগী থবক কয়া পায়খৎলিবা অসি সী এম বিরেন্না লুচিংলিবা লৈঙাক অসিগী অফবা মায়কৈদা চঙশিল্লিবা লৈঙাকনি হায়বা তাক্লিবনি হায়বসি মীয়াম্না খঙমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, খাঙবোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা উজ্বালা স্কিমগী মখাদা ইমুং ১০১৫দা চাক থোংনবা গ্যাস ফংফম থোকপনি। মসিগী মনুংদা ইমুং ২৯৮দা উজ্বালা স্কিমগী চাক থোংনবা গ্যাস ফংহনখ্রে। ইমুং ৭১৭তা ফংহনগদবা ৱাৎলি। ৱাৎলিবশিং অসি অথুবা মতমদা ফংহন্নবা থবক য়াম্না কন্না পায়খৎলি, অথুবা মতমদা য়েন্থোক্লবসু হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খাঙবোক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন লোইশঙগী মায়কৈদগী স্কুল অঙাংশিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নদুনা অথোই অহেন তাখ্রবশিংদসু মনা লান্থোকখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌবালনা শীনখিবা খুঙ্গং চৎসি মিসনগী অতৈ মফম অনী লিলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা লিলোং হঙ্গামথাবী কম্যুনিতি হোলদা অদুগা ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা তেন্থা খুনৌদা পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংগী ষ্টোলশিং হাংদোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা ফংহনখি হায়রি।

অমরোমদা, ষ্টেট লৈঙাক্কী ইনিসিএটিভকী শরুক অমা ওইনা ঙসি তমেংলোংগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নামকালোং ভিলেজদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা গো টু ভিলেজ মীসন পাঙথোকখ্রে। মীসন অদু খুঙ্গং অহুম নামকাওলোং, সেমজাং অমসুং সাংরুংপাং কোন্দুনা পাঙথোকখি। তমেংলোংগী দি সী রভিন্দর সিংহনা প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়ারিবা ভিলেজরশিংদা মীসন অদুগী মরমদা তেন্তক্লা ৱা ঙাংখি। মীসন অদুগী শরুক অমা ওইনা মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা জেনরেল ও পি দি পাঙথোকখি অমসুং ঙসিগী প্রোগ্রামদুদা য়াওখিবশিংদা হিদাক লাংথকশিং লেম্না য়েন্থোকখি। এস টি সর্টিফিকেটশিং, দোমিসাইল, পর্মিনেন্ট, রেসিদেন্সিএল অমসুং ইনকম সর্টিফিকেটশিং ভিলেজরশিংদা য়েন্থোকখি। লৈঙাক্কী অতৈ দিপার্টমেন্ট কয়ানসু প্রোগ্রামদুদা লাকখিবশিংদা কান্নবা কয়া ফঙহনখি। জি টি ভিগী নোদেল ওফিসরদা মরী লৈনবা ভিলেজগী চ্যেয়রমেন অমসুং সেক্রেটরিনা তোঙান তোঙানবা মেমোরেন্দম অমসুং ৱাকৎশিং পীশিনখি।

JOIN THE
PREMIUM FITNESS CENTRE IN MANIPUR
«RADIANT FITNESS»
360° WELLNESS CENTRE
»GYM »AEROBICS »ZUMBA »YOGA »SPA »SAUNA »COFFEE & MORE...
Visit Us: Palace Compound Gate, Opp. City Convention Hall, Imphal
HL-B/4808/22/8-21/9